# ঙসিদগী হোম মিনিষ্ট্রিনা 'সু' গ্রুপ য়ু পি এফ ...

*লামায় ১গী মখা...* উন্নগনি হায়রি। অদুবু হৌজিক ফাওবগী ওইনদি 'সু' গ্রুপ য়ু পি এফ অমসুং আই টি এল এফকী মীহুৎশিংগা মথং মথং উন্নদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা মীফমশিং অসিনা খন্নগদবা এজেন্দাশিংগী মনুংদা নেসনল হায়ৱে-২ (ইম্ফাল-দিমাপুর) লম্বী অমুক হন্না হাংদোকপগী ৱাফম্না মাঙজিল থানা খন্নরবা য়াই হায়রি।

পাউ অসিনা মখা তানা হায়, য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্ট্রিনা য়ু পি এফ অমসুং আই টি এল এফকী মহুৎ শিনবা লুচিংবা মীহুৎশিংগা উন্নবা খক্তা নত্তনা 'সু' গ্রুপশিং ওইরিবা জোমি রেভল্যুস্নরি আর্মি (জেদ আর এ), জোমি রিয়ুনিফিকেসন ওর্গনাইজেসন (জেদ আর ও) অমসুং মার পিপলস কনভেন্সন - দেমোক্রেটিক (ঐচ পি সী দি) গী কেথিওস অমসুং খেনচিন কৌবা মীওই অনীনা লুচিংবা মীহুৎ ৪বুসু উন্ননবগীদমক দিরেক্টর ওফ ইন্টলিজেন্স ব্যুরোনা কৌখ্রে হায়রি।

য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্ট্রি অমসুং ইন্টলিজেন্স ব্যুরোগী দিরেক্টরনা য়ু পি এফ, আই টি এল এফকী লুচিংবশিংগা মীফম পাঙথোক্লনবা থৌরাং তৌরক্লিবা অসি খক্তা নত্তনা জোমি অমসুং মার ফুরুপকী লালহৌলুপ অহুমগী মীহুৎ মরিবুসু ইন্টলিজেন্স ব্যুরোনা কৌরক্তুনা দেল্লীদা উন্নগদৌরিবা অসি ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মায়কৈদগী পায়খৎনীংবা থবকশিংদা হায়রিবা লূপশিং অসিনা য়ানীংদবা ৱাফমশিং ফোঙদোরকপা পামদবদগীনি হায়রি।

য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্ট্রিনা লৌখৎলক্লিবা অনৌবা থৌরাং অসি হয়েংদগী থবক্তা ওন্থোকপা হৌরক্লবসু আই টি এল এফকী লুচিংবা গিঞ্জা বুৱালজোংনা পাউজী এজেন্সী অমদা ফোঙদোকখিবদদি হোম মিনিষ্ট্রিগী থবক অসি মণিপুরগী কুকিশিংগীদমক পোলিটিকেল দিমান্দ ওইরিবা 'ইন্দিপেন্দেন্ট এদমিনিষ্ট্রেসন' গী মতাংদা পুখৎনবগী খুদোংচাবা অমনি হায়খি।

হোম মিনিষ্ট্রিনা কৌরকপদগী দেল্লীদা পাঙথোক্কদবা মীফমশিংদা আই টি এল এফকী চ্যেরমেন পগিন হাওকিপ, সেক্রেটরি মুৱান তোম্বীং, এগজিক্যুটিভ মেম্বর থাংজামাং হংসিং শরুক য়াগনি হায়রি।

এজেন্সীগী পাউ অসিনা মখা তানা হায়বদা থা অসিগী ২দা মণিপুরগী নেসনল হায়ৱে -২ হাংদোকপগী মতাংদা গুৱাহাটিগী হোটেল অমদা অরোনবা মীফম অমা পাঙথোকখি। মীফম অদু অসামগী চীফ মিনিষ্টর হিমন্ত বিশ্বা সর্মনা লৌখৎলকপা থৌরাংগী মনুং চন্না পাঙথোকখিবনি। মীফম অদুদা মণিপুরগী 'সু' গ্রুপশিংগী মীহুৎশিং, কুকি ফুরুপ্তা চিংলিবা মণিপুর লৈঙাক্কী মিনিষ্টরশিং অমসুং এম এল এশিং য়াওনা মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফ্যেরসকী এদভাইজর (নোর্থ ইষ্ট) এ কে মিশ্রাসু শরুক য়াখি হায়রি।

মীফম অদুনা লৌখিবা ৱারেপকী মতুংইন্না কে এন ও অমসুং য়ু পি এফনা কাংপোকপীদা চত্থরক্লিবা ইম্ফাল-দিমাপুর লম্বী থিংজিনবগী ব্লোকেদ লৌথোক্লবগী অয়াবা পীখিবনি। অদুম ওইনমক মীফম অসিদা শরুক য়াখিবা জেদ আর এ, জেদ আর ও অমসুং আই টি এল এফকী মীহুৎশিংনদি নেসনল হায়ৱে অসি হাংদোকপগী অয়াবা পীখিবগী মায়োক্তা লৈখি হায়রি।

পনবা য়াবদি, থা অসিগী ২দা গুৱাহাটিদা পাঙথোকখিবা অরোনবা মীফম অসিদা খন্নখিবগী মতুংইন্না কে এন ও অমসুং য়ু পি এফকী মায়কৈদগী এন ঐচ-২ পরিংগী কাংপোকপীদা চত্থরক্লিবা ব্লোকেদ হন্দোক্লবগী ৱারেপ লৌরে হায়না মীয়ামদা ফোঙদোরকখিবগী মথংগী নুমিৎতা চুড়াচান্দপুরগী সোংপি খুলদা লৈবা কে এন ওগী ৱাঙাঙলোই ডা. সাইলেন হাওকিপকী য়ুম মৈ থাদোকখিবনি। অদুগা মে ৩দগী ঙসি ফাওবদা লেপ্তুনা চত্থরক্লিবা কাঙলূপ মশেলগী লান অসিদা ফুরুপ অনীমক্কী য়ুম-কৈ কয়া মৈ চাকখিবদা নত্তনা মীওই ১০০ হেনবগী পুন্সি মাঙখ্রবনি।

# মণিপুর ষ্টেট পঞ্চায়ট পরিষদকী মীহুৎশিংনা গভর্ণর উন্নখ্রে

**ইম্ফাল, জুলাই ০৬(ঐচএনএস) :** মণিপুর ষ্টেট পঞ্চায়ট পরিষদ (এম এস পি পি) গী প্রসিদেন্ট এম দি অবদুল লতিফনা লুচিংবা মীহুৎ কাঙবু অমনা ঙরাং গভর্ণর অনুসুইয়া উইকেগা রাজ ভবনদা উন্নখ্রে। উন্নবা অসিদা পরিষদকী মায়কৈদগী হৌজিক চত্থরক্লিবা কাঙলূপ মশেলগী খূৎ থোক্লবা অসি লোইশিন্নবগীদমক চীংখোঙ চীংয়াদা লৈরিবা তম্পাক্কী মফমশিংদা ষ্টেট ফোর্সশিং খুদক্তগী দিপ্লোই তৌবীদুনা ঈং-তপ্পা হঞ্জিনহনবীনবা হায়জখি।

লোয়ননা কাঙলূপকী ঈরাংনা শোকহল্লবা ইমুংশিংদা মতিক চাবা কম্পেন্সেসন পীবিনবসু হায়জখি। গভর্ণরগী মায়কৈদগীসু মণিপুরদা তংদু লৈতাবা ফীভম পুরক্লবা হোৎনবদা অঙম্বা মতেং পাংনবা খঙহল্লকখি হায়রি।

পরিষদকী প্রসিদেন্টনা লুচিংবা মেম্বরশিংনা গভর্ণর উন্নবগী ফোটো ঙরাং পাউচে অসিদা হাপখিবদা লুকমাই শেল্লুপ মণিপুরগী মীওইশিং ওইনা হাপখিবদু শেল্লুপকী মীহুৎশিংনসু গভর্ণরগা উন্নখিবগী পাউ রাজ ভবনদগী পূন্না থাদোরকখিবদগী ওন্নখিবনি।

# মণিপুরগী ৱাথোক লোইশিন্নবা হোৎনবগী মহুত্তা...

*লামায় ১গী মখা...*অসিদা থোক্লিবা ৱাথোক অসি বি জে পি গী গেম প্লাননি হায়বদু ময়েক শেংহনবনি হায়না মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট কে মেঘচন্দ্রনা ফোংদোরক্লি।

এম পি সী সীগী ওফিসতা ঙসি পাঙথোকখিবা পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা মহাক্না হায়, মথং চহিদা পাংথোক্কদৌরিবা লোক সভা মীখলগী য়েংলগা বি জে পি লুচিংবশিং মীফম পাঙথোক্লবসু মখোয়গী মীফম অদুদা মণিপুরদা হৌজিক থোক্লিবা তংদু লৈতাদবা ফিভম অসিগী মতাংদা ৱাফম অমত্তা ওইরবসু পুথোক্তুনা খন্নবীরল্লবদি থাগৎলম্বা য়াবনি। অদুবু হৌজিক মণিপুরদা থোক্লিবা ৱাথোক অসিবু নাথৈদুনা থল্লগা মীখলগী থবক থৌরমশিংদা ওইনা মীৎয়েং চংবা হায়বসি লাইবক থীবনি। বি জে পি গী ওইনা ঙসি পাংথোকখিবা মীফম অদুদা বি জে পি লুচিংবা নলিন কোহলিনা কোংগ্রেস পার্টি অমদি পার্টি অসিগী লুচিংবা রাহুল গান্ধীবু হুন্দুনা ঙাঙলি। মখোয়গী মীফম অদু কোংগ্রেস হুন্নবা পাঙথোকখিবা মীফমগা চপ মান্নরে হায়খি।

মহাক্না হায়, থা অনি হেঞ্জিল্লক্লবা মণিপুরগী ৱাথোক অসি সেন্তর অমসুং ষ্টেটতা লৈরিবা বি জে পি লৈঙাক্লা লোইশিনগে হায়রবদি য়াম্না লায়না লোইশিনবা ঙম্বা থবক অমনি। অদুবু ঙসি ফাওবদা ৱাথোক অসি লোইশিনবা ঙমদনা লৈবা হায়বসি লৈরিবা লৈঙাক অসিগী অশোনবনি হায়বদু মীয়ামদা উৎথোকপনি। থোক্লিবা থৌদোক অসিনা মরম ওইরগা থবক থৌরম অমত্তা মপুং ফানা পায়খৎপা ঙমদ্রে। ইরাং লাকশিন্নবনি হায়দুনা ইন্টরনেট থীংলবসু ইরাংদি লাকশিনবা ঙমদ্রি। মদুগী মহুৎতা ইন্টরনেট থীংখিবনা মরম ওইরগা পাউ ফাওদোক ফাওজিন তৌবদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লবগা লোয়ননা বেঙ্ককী থবক থৌরমশিংদা চাওনা অৱাবা মায়োক্লহল্লে। ওন লাইনগী খুত্থাংদা থবক শুবা লমদম অসিগী নহা কয়া শুফম নোমফম লৈহন্দ্রে। মসি ঐখোয় খুদিংমক্কী মাঙজবনি হায়খি।

মহাক্না মখা তানা ফোংদোকখিবদা কোংগ্রেস লুচিংবা রাহুল গান্ধীনা মণিপুরদা লাক্লমখিবা অদু পোলিটিকেল ওইবা খোঙচৎ নত্তে, পোলিটিকেল ওইবা ৱাফম অমত্তা ফোংদোক্লম্বসু লৈতে। লুচিংবা অমা ওইনা অৱা অনা তারবা মীওইশিংগী ফিভম য়েংশিনবা লাকখিবনি। মহাক্কী খোঙচৎ অদুগা মরী লৈননা রাহুল গান্ধীনা মণিপুরগী গভর্ণরগা উন্নদুনা অৱাবা তারবা মীওইশিংগী মতাঙদা পাউদমখি অমদি মণিপুর লৈঙাক্তা থোক্লিবা ৱাথোক অসিগী ৱারোইশিন অথুবা মতমদা পুরক্লবা অপিল তৌরমখিবনি।

# কুকি মিলিটেন্টশিংনা কোংবা মরূ ...

*লামায় ১গী মখা...* ষ্টিলগী গ্লাস অমসুং চাক-ঈশিং থোংনবা কোর্ফু/খাংনচিংবশিংসু লোইনমক হুরান্দুনা পুখ্রে হায়রি। শঙলেন অসিদা পোৎলমশিং অসি পূন্না থমদুনা লাইফমলেন অসিদা মীয়াম্না লুক কৎপা লাকপদা মতেং ওইনরকপনি হায়রি। অদুগা পোইরৈ ঈ থিবা লূপকী শঙলেন অসিগী মনুংদা থম্বা জেনরেটর, ইনর্ভটর, শঙলেন অসিগী চে-চাংশিংসু মৈ থাদোক্লল্লে হায়রি। মসিগী মথক্তা লাইফমলেন অসিদা লাকপা মীওইশিংগী মীথুংফম লৈফম চাফমসু য়াওনা মৈ থাদোক্লম্বনি হায়রি। থৌদোক অসিগী পাউ তাবদগী আর্মি অমসুং পুলিসকী কম্বাইন্দ টিম অমা চঙশিন্দুনা য়েংশিন্নবা হোৎনরুবদা কুকি মিলিটেন্টশিংনা চীংথক্তগী নোংমৈ কাপথরকপদগী লাইফমলেন য়ৌনা চঙশিনবা ঙমখিদে হায়রি।

পনবা য়াবদি, হন্দক্কী লান অসি থোরকপদগী লাইফমলেন অসিদা থৌগল তৌরকখিবা মীওইশিং লৈরকখিদবনি অদুগা লৈঙাক্কী মায়কৈদা মতিক চাবা সিক্যুরিটি থম্বীদুনা ঙাক শেন্নবা হায়জদুনা লাকখিবদসু তাবীদনা লৈরকখিবনি হায়রি।

# সিক্যুরিটিনা ঙাক শেনবদগী মফৌ ...

*লামায় ১গী মখা...* ঙাক শেল্লিবা মফমদগী কুকি অনী কুম্থরক্লগা লৌ উবা য়ারোই হায়দুনা তুমুখোংগী খুঞ্জাশিংদা হায়রকপদগী লৌ উবা কিনরে হায়রি। মখোয়না নুমিদাং খুদিংগী কুম্থরক্তুনা লিতান ফাওবগী মরক্তা চৎথোক চৎশিন তৌবসু ইফোং ফোংনা খুঞ্জাশিংনা উরে হায়খি। ষণপোৎ খোইরিঙৈদসু কুকি অনী চঙশিল্লক্তুনা লৌ উবা য়ারোই হায়রম্বা য়াওরে। মসিগী মথক্তা বি এস এফশিংনা ঙাক শেল্লিবা মফৌ কুকি খুলদা কুকিগী মীওইশিং মশীং য়াম্না লৈশিল্লকপনা অমুক্কা হেন্না অকি-তুজুং পোকহল্লে হায়রি।

মরমশিং অসিনা ইথম, লাইখোং, নোংপোক কৈথেলমানবী, মনা লৌকোন, মোইরাংপুরেল, তুমুখোংগী লৌবুকশিং হৌজিক ফাওবা লৌ উবা হৌদ্রি। ইথম খুলগীসু লৌবুক্তা ঈশিং চনবা চৎপদা বোম অমা ফিট তৌবগী ৱায়র তিংদুনা লৈরম্বা থেংনবদগী চঙনখিদবা য়াওখ্রে। বোম অদু এক্সপার্টশিং লাক্তুনা লৌথোকখিবনি হায়রি। মফমশিং অসিদা লৈরিবা লৌবুকশিংদা লৌ উনবগীদমক লাইখোং মনাক্কী শারম লৌকোন অসিদা লৌবুকশিংদা ঈশিং থাবগী থবক তৌগদবনি। মরম অসিনা ঈশিং থাফমসু ওইরিবা অদুগা লৌবুকশিংগী ময়ায় ওইরপ্নসু লৈরিবা লাইখোংদা ষ্টেট ফোর্স থল্লগদি লৌমীশিংনা অয়েৎ-অপন য়াওদনা লৌ উবা ঙমগনি হায়রি।

নোংপোক কৈথেলমানবীদসু সিক্যুরিটিশিং লৈ অদুবু মখোয় লৈরি হায়দুনা পূক্লিং লূম্না লৌ উবদি ঙমদ্রে। বি এস এফ পর্সনেলশিংনা মফৌ কুকি খুল ঙাক্লক্লিবা অসি খুল অসিদগী বি এস এফ ওইরম্বা মীওই অমা কার্গিল লানদা শিখিবদগী ঙাক্লিবনি হায়রকপদা খুঞ্জাশিংনসু অদুমক য়াদুনা লাকপনি। অদুবু খুল অসি মখোয়না ঙাকপগী খুদোংচাবা লৌদুনা কুকি খূৎলায় পায়বশিং লাক্তুনা লৈশিল্লবগী মশীং নোংম-নোংমগী হেনগৎলক্লে। থৌওং অসিমক মায়কৈ অসোমগী খুঞ্জাশিং মরু ওইনা লৌমীশিংনা হৌজিক লৌ উরগদবা মতম অসিদা অমুক্কা হেন্না পেন্নদ্রে হায়রি। মরম অসিনা গ্রাম পঞ্চায়ট অমখক্লা কোনশিল্লিবা খুল ৬ খক্তমক লৈরিবা মফম অসিগী খুঞ্জাশিং অমসুং লৌবুকশিং ষ্টেট ফোর্সশিংনা নীংথিজনা ঙাক শেনবীরবদি মতম চানা লৌ উবা ঙমগনি অমসুং থোকহন্নীংদবা থৌদোকশিংসু থোরক্লোই হায়রি।

# মণিপুর গভর্ণমেন্টনা হকচাং ২...

*লামায় ১গী মখা...* কুকি মিলিটেন্টশিংনা ফারগা ওৎ নৈরবা মতুংদা হাৎতোকপীখ্রবনি হায়রিবা মীওই অনী অদুদি সেকমাইজিন খুনৌদগী ইরেংবম চীংখৈঙানবা (২৬) অপোকপা আই ধন অমসুং শগোলশেম ঙালৈবা (৩৩) অপোকপা এস ইবোচৌ কৌই। মখোয় অনীগী মনুংদা ঙালৈবদি ময়ূম পান্দুনা চহী ৪ অমসুং থা ৭ খক্তমক ঙাইহিবা মচানুপা ২ লৈরবনি হায়রি।

ৱাকৎ খোঙজং অসিগা মরী লৈননা মখোয় অনীগী মতাংদা শেমখিবা জে এ সী এগেনষ্ট দি কিল্লিং ওফ শগোলশেম ঙালৈবা মৈতৈ অমসুং ইরেংবম চীংখৈঙানবা মীতৈ ওফ সেকমাইজিন খুনৌ বাই কুকি মিলিটেন্টস মেম্বর কিরননা পাউমীশিংদা ফোঙদোরকপদা মখোয় অনী থা অসিগী ৪গী নুংথিল পুং ২ রোম তারকপদা লৈকিন্থবী খুল ঙাক্লিবা খুঞ্জাশিং মতেং পাংনবা চৎখিবনি। নুমিৎ অদুগী নুংথিল পুং ৪ ফাওবা মখোয় অনী ইমুং মনুংগী মীওইশিংগা পাউ ফাওনরম্মী। অদুবু মদুগী মতুংদগীদি পাউ ফাওনবা ঙমদবদগী মখোয় অনীগী খোঙ্গুল লীদুনা লাকখিবনি হায়রি।

অদুবু মথংগী নুমিৎ থা অসিগী ৫গী নুমিদাং পুং ৯ রোম তারকপদা সোসল মীদিয়াগী ফেসবুক প্লেটফোর্মগী 'লেৱিস হেমাম' কৌবা একাউন্ট অমদা মখোয় অনীবু তমথীনা ওৎপী নৈবীরগা হাৎপগী ভিদিও থাগৎলকপদগী মখোয় অনী হাৎতোকপীখ্রে হায়বা খঙবা ঙমখিবনি। অসিগুম্বা মীহাৎ থীনা হাৎতোকপীবগী থৌওং অসি অকনবা মওংদা য়ানীংদে। মণিপুর লৈঙাক্না নুমিৎ হুমনিগী মনুংদা মখোয় অনীগী হকচাংশিং মখোয়গী ইমুং মনুংদা শিন্নবীয়ু। লোয়ননা ইমুং মনুংদা লৈহৌরিবা অৱাবদসু লৈঙাক্লা মতেং পাংবীয়ু হায়খি।

মণিপুরদা ওইরিবা তংদু লৈতাদবা ফীভম অসি থা ২ হেঞ্জিল্লক্লে। লৈঙাক্লা য়ুমথোঙ খুদিংগী মীওই ১/১ শিবা ঙাইহিব্রা হংলদুনা অসিগুম্বা ফীভম অসি য়ৌরবা ফাওবদা মণিপুর অমসুং সেন্টর লৈঙাক্লা ৱারোইশিন অমা পুরক্তুনা তংদু লৈতাবা মহৌশাগী পুন্সিদা হঞ্জিল্লক্লবা অকনবা থবক লৌখৎপীয়ু হায়খি।

ৱাকৎ খোঙজংদা শরুক য়াখিবী আই চিংখৈঙানবগী অপোকপী পাকপী অমসুং এস ঙালৈবগী লোয়নবী সিলভিয়ানা ফোঙদোরকপদা কুকি মিলিটেন্টশিংনা মখূৎ চল্লবা মতুংদা তমথীনা ওৎপী নৈবীরগা হাৎখিবগী থৌওং অসি য়াম্না পেন্দে। লৈখিদ্রবা মখোয় অনীগী হকচাংশিং লৈঙাক্লা মখোয়গী মফমদা শীন্নবীয়ু হায়খি।

ৱাকৎ খোঙজং অসিদা কুকি মিলিটেন্টশিংনা মীচম মীয়াম হাৎপা য়ানীংদে, কুকি মিলিটেন্টশিংগী সু খুদক্তা হন্দোকউ, সুগী গ্রাউন্দ রুল থুগাইবা কুকি মিলিটেন্টশিং চৈরাক পীয়ু, ৱি ৱান্ট পিছ, ৱি আর বোনাফাইদ সিটিজেন্স ওফ ইন্দিয়া, লোং লিভ মণিপুর হায়বনচিংবা থাবা প্লেকার্দশিং শীজিন্নখি।

**FOREX (INDIA RUPEES)**

| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
|---|---|
| Euro | 89.864966 |
| US Dollar | 82.588084 |
| British Pound | 105.344180 |
| Australian Dollar | 54.882980 |
| Chinese Yuan Renminbi | 11.395697 |
| Japanese Yen | 0.572747 |
| Malaysian Ringgit | 17.715906 |
| Singapore Dollar | 61.066562 |
| South Korean Won | 0.063124 |
| Saudi Arabian Riyal | 22.023489 |
| Thai Baht | 2.348837 |

# আর্মিনা হকচাং ২ লৌথোক্লবা...

*লামায় ১গী মখা...* পাউ অসিগী মতুংইন্না পুলিসনা হায়জবদগী মখোয় অনীগী হকচাংশিং আর্মিনা লৌথোক্তুনা পুথোরক্লবা থবক পায়খৎপা হৌরে হায়রি।

পুলিসকী পাউ অসিনা মখা তানা হায়বদা মখোয় অনী হোন্দা এক্টিভা অমদা পূন্না তোংলগা নেসনল হায়ৱে নম্বর-২ পরিংগী সেকমাই লাম্থোক্লগা মোটবুং ময়া ফাওবা চঙশিনখিবনি। মফম অদু ফাওবা ইমুংগী মীওইশিংগা ৱারী শান্নরল্লবা মতুংদা মখা তানা পাউ ফাওনবা ঙমখিদবনি হায়রি।

মখোয় অনীবু কুকি মিলিটেন্টশিংনা মফম অদুদগী ফারগা লম্বী তাকপীগে হায়দুনা পুশিল্লবা মতুংদা নেসনল হায়ৱেদগী কিলোমিটর অমরোম কাখৎলগা লৈবা কৌব্রু চীংগী মফম অসিদা হাৎতোকখিবা ওইগনি হায়রি।


পাউজেল

হৌজিক মণিপুরদা থোক্লিবা ৱাথোক্কা মরী লৈননা মণিপুরদা লৈরিবা নুপী কাঙলূপশিংগী ওইবা খন্ন-নৈনবগী মীফম অমা

**"Manipur Women Convention on Manipur Crisis"**

তারিখ ০৯।০৭।২০২৩ অসিদা

**ইবোয়াইমা শুমাঙ লীলা শঙলেন** দা পাঙথোকচগনি।

হায়রিবা মীফম অসিদা মণিপুরগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা লৈবীরিবী নুপী খুদিংমক্লা মীফম অসিদা শরুক য়াবীয়ু অমদি ইশাগী ৱাখল্লোন ফোঙদোকপীবগা লোয়ননা অপুনবা ৱারেপ লৌমিন্নবা নোল্লুক্লা হায়জরি।

নোল্লুক্লা হায়জরিবা
**লুকমায় শেল্লুপ**

HL-P/7113/7



**GAS NEWS**

**M/S K&K INDANE SERVICE,**
For home delivery
**Gas Booking, please call within 8am To 11am:**
*URIPOK, THANGMEIBAND, LANGOL- Tiddim line. Mayai Lambi. Imphal East. Singjamei. 9362663937
Tiddim line 87946 84988
SAGOLBAND TERA & SURROUNDING 8787530107 / 8014963395 /9863654574 /9774213728 /9089519886.
TAKYEL LANGJING,PATSOI AREA/8258856407 / 98622 39855 8014963395
KONTHOUJAM A/c 9863201839, / 8014963395
LAMSHANG A/C - 9612493837 / 8014963395

**M/S BASHIKHONG INDANE**
**BOOKING UP TO 03/05/23**
VALID FROM 26/04/23
HOME DELIVERY
ONLY CONTACT No. 9089709738/9856398141
OFFICE TIMING 9AM.TO 3PM
WILL BE DELIVERY FOR 3DAYS.

**TANGLEI GAS OINAM**
V/f-06-06-23
**B/upto - 08-06-23**
**Stock-306**
7am to 10am

**MM GAS SERVICE**
HOME DELIVERY
TIMING 8:00 AM TO 10:AM
**BOOKING: UPTO 30-05-2023**
VALID FROM 10-05-2023
FOR ALL IMPHAL-WEST & IMPHAL-EAST 8131942156 (SMS/WHATSAPP)
FOR ALL THANGMEIBAND & LAMPHEL 7628098544, 9089370369, 9774443052
FOR ALL LANGOL AREA 9366213753
(ENQUIRY) 7628077876, 9366213753

**LEIBAKLEI GAS SERVICE KAKCHING**
**BOOKING UP TO-17-05-2023,**
VALID FROM 10-05-2023,
**STOCK : 612,**
HOME DELIVERY ONLY.
(DELIVERY WITHIN 4 DAYS)
CONTACT NOS: 9862634903, 8415050488, 9862283423,
CALL TIME : 7 AM T0 10 AM

**KHUMBONG INDANE**
**BOOKING UPTO 16-05-23**
Valid from 13-05-23
Only home delivery within 4 days
Office no.9774068549
Home delivery contact no.8974511936
Message no.8974511936
Time 6.am to 9.am

**CANCHI INDANE SERVICE**
**BOOKING UPTO 26/06/2023**
VALID FROM 15/04/23
14kg,10kg,19kg & 5kg
UJJAWALA AVAILABLE
HOME DELIVERY ONLY
DELIVERY WITHIN 4 DAY
TIMING 08.00 to 10.00am



**ORIGINAL CERTIFICATE LOST**

I have lost my Original Certificate of Class X, bearing Roll no. 22451 of 2006 issued by BOSEM on the way between Imphal and Ukhrul on 5th July, 2023. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

HL-P/7105/7 Sd/- **Theishing Hashunao**

**ORIGINAL CERTIFICATE LOST**

I have lost my Original Certificate of Class X, bearing Roll no. 859 of 2001 issued by BOSEM on the way from 2nd MR to Thangmeiband Hijam Dewan Leikai on 5th July, 2023. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- **Shamulailatpam Gourachandra Sharma**
HL-P/7115/7

**OFFER** **OFFER**

ঙানু মচা, য়েন্নাও মচা হোঙনা ফংবীগনি।

নোংমাইজিং নুমিৎ খুদিংগী ঙানু মচা Peking, Muksan অমদি য়েন্নাও মচা Kuroiler, Quail, Black Rock, FFG, Layer হোঙনা ফংবীগনি। Farmer শিংনা advance booking তৌবীয়ু। য়েন্নাও অমদি ঙানু ২০০ শুনা লৌবীবা মীওইশিংনা whole sale rate তা লৌবীবগী খুদোংচাবা ফংবীগনি। থাংজ নুমিৎ খুদিংগী য়েরুম, ঙানু মরুম, Turkey মরুম হাপচগনি। য়ুমশকৈশা খুদিংগী Japanese quail মরুম হাপচগনি। য়েন্নাও size, ঙানু মচা size পাম্বীবশিংনা মখাগী নম্বর অসিদা খঙহনবীরকউ।

লেংশিনবীরকসি : **EMOINU HATCHERY**
Near Eastern Ground, BSNL & Postal Colony,
HL-P/7108/7 Palace Compound, # 9436085117

**ইঙ্খোল য়োঙ্গরি**

ময়াং ইম্ফাল বজার মনিংদা লৈবা সোরোক্কা তায়নবা পাক-চাওবা 23 x 37 sq.ft. অসি অচিনবা অমদগী থাদোকচরি। পাম্বীবা মীওইশিংনা কন্টেক্ট নম্বর অসিদা ফোন তৌবীরকউ।

**# 8732083300**
**# 8730929242**
HL-P/6898/6-12

**ইঙ্খোল অমা থাদোকচরি**

কুম্বীদা লৈবা ইঙ্খোল পাট্টা নং. 652/4406 দাগ নং. 6020/6410 পাকপা চাওবা .49 রেভিন্যু ভিলেজ 64 কুম্বী বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট অসি অচিনবা অমগী থাদোকচরি। মখাদা পীজরিবা নম্বর অসিদা পাউ ফাওবীরকপা য়াগনি।

**Note :** কনাগুম্বা/কনাগুম্বীনা হায়রিবা ইঙ্খোল অসি থাদোকপদা য়েৎনীংবা নত্রগা য়ানিংদবা লৈরগসু নুমিৎ ১০নিগী মনুংদা থাঙ্গৎপীরকপা য়াগনি।

HL-P/7107/7,9,11 **Contact : 9366163886**

**ইঙ্খোল য়োঙ্গরি**

অথুবগী ওইনা ইঙ্খোল অনী য়োঙ্গরি, পাক চাওবনা .২ অমদি .১২নি, মফম্না ঙারিয়াম্বম ক্কা সিফাই, লমশাং, স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি রোদ। পাম্বীবশিংনা মখাগী নম্বর অসিদা পাউ ফাওবীরকউ।

**NO BROKER**
**# 9862351586**
**# 8787623463**
HL-P/6899/6,7,8



**IPS, CANCHIPUR, IMPHAL**

**ADMISSIONS FOR XI ARTS & SCIENCE OPEN FOR 2023 BOTH SCHOOL & HOSTEL**

**SPECIAL PACKAGES**

1. Free Admission for 1st 100 students in view of the Present Situation of the State and Excellent Results with 74 First divisioners, 40 Distinction Mark Holders and 160 Letter Mark Holders in HSLCE, 2023.
2. 80% and above: Free School Admission + Free School Fees + Free Hostel Admission + Free Uniform + Free Transportation + Free Books + Scholarship of 20000 (by Cash)
3. 33-79%: Free School Admission + Free Hostel Admission + Free School Fees (only for Hostellers) + Free Transportation (only for Hostellers).

Note 1 : These Free Packages will be valid upto 8th July, 2023.
Note 2 : Form and Prospectus can be had from the School and Hostel. Direct Admission can be done by calling or sending messages through the mobile number #: 8798754418/9863407283

Published By: Admission and Registration Incharge.

HL-P/7106/7

**ADMISSION OPEN**
**NURSING & PARAMEDICAL**
**Under the Government of Manipur**



100% Job Guaranty

* Smart Internship facilities to several diagnostic centre and Hospitals.
* Scholarship Facility, Govt. of Manipur
* Low fees, Seat are limited
* IN-House Practical Facilities.

FREE DIPLOMA COURSE ADMISSION FOR THOSE VICTIMIZE HOMELESS STUDENTS ON CURRENT ISSUE OF MANIPUR

**10 Passed & Above**
1. Diploma in Radiology & Imaging Technology (DRIT) (Ultrasound, MRI, CT - Scan, X-ray)
2. Diploma in Medical Laboratory Technology (DMLT)
3. Diploma in Operation Theatre Technology (DOTT)
4. Diploma in Dialysis
5. Diploma in Sterilization
6. Diploma in Electrocardiogram (ECG)
7. Diploma in Ultrasonography
8. Diploma in Opthamic
9. Diploma in Dental Assistant
10. Diploma in Anaesthesia

**12 Passed (Arts/Science) & Above**
1. General Nursing & Midwifery (GNM)
2. B. Sc. in Radiology and Imaging Technology
3. B. Sc. in Medical Laboratory Technology
4. B. Sc. in Operation Theatre Technology
5. D. Pharm/B. Pharm/M. Pharm/Ph.D (OM)
6. Doctor of Acupuncture/Alternative Medicine
7. Diploma/B. Sc. Physiotherapy (OM)
8. Diploma/B. Sc. Optometry
9. B. Sc. Echo Cardiac

SAINA INSTITUTE OF MEDICAL SCIENCE (SIMS)
Porompat Crossing Opt. SBI, Imphal East, Manipur.
# 03852443946 / 7005572416 / 9856617378 / 6033908318 / 7005687097
Website : www.simsmanipur.com

HL-P/4436/13/6-11/7 (alt)



**ADMISSION OPEN**
FOR
1. SPOKEN ENGLISH & ENGLISH GRAMMAR COURSE
FOR
STUDENTS & SENIORS
2. RHYMES TEACHERS TRAINING COURSE
FOR
GIRLS & YOUNG MOTHERS
AT
SPOKEN ENGLISH CLASS
SINCE 1986
NAGAMAPAL LAIMAYUM LEIRAK
PLEASE CONTACT 8974642764

HL-B/8116/9/4-9/7

SURE SUCCESS

**RADIANT SCHOOL**
A co-educational Higher Secondary School
Sangaiprou Ningthemkol, Opp. Imphal College
Contact No. : 7642842266

**"FREE COACHING FOR COMPARTMENTAL STUDENTS"**

* MOCK TEST
* STUDY MATERIAL
* PREVIOUS QUESTIONS ANALYSIS

FACULTY AVAILABLE FOR EVERY SUBJECT

HL-P/6971/6,7,8

**AJAD ENGLISH SCHOOL, MEITRAM**
IMPHAL WEST, TIDDIM ROAD
**WANTED**

| SL | Name of post | No. | Min. Qualification | Monthly Salary (Rs) |
|---|---|---|---|---|
| 1 | Warden (Male) | 1 | Any Graduate | 12,000-15,0000 |
| 2 | Warden (Female) | 1 | Any Graduate | 12,000-15,0000 |
| 3 | Cook (Male) | 1 | | 12,000-13,0000 |

Apply with latest resume supported by self attested documents with passport photograph to the following address on or before 12-07-2023 during school hour.
Only shortlisted candidates will be called for the interview which will be held on 15-07-2023.

*Contact 7005182472*

Sd/-
Secretary,
AJAD English School

HL-P/7111/7,8,9

**SAINIK SCHOOL IMPHAL (MANIPUR)**
P.O. PANGEI YANGDONG, IMPHAL EAST - 795114
**RECRUITMENT NOTIFICATION**

Applications are invited for the following vacancy at Sainik School Imphal:-

| Name of the Post | No. of Posts Type of Post | Age as on 01 July 2023 | Category |
|---|---|---|---|
| Martial Arts Instructor (Taekwondo) | 01 (Contractual) | 18-50 Years | Unreserved |

**Eligibility**. Class XII from a recognized Board / Council, with Black Belt or above from a recognized institution.
**Desirable.** Having knowledge / experience in the field for 05 years.
**Salary.** **Rs 12,000/-** per month.
**Note:** Interested candidates may submit their resumes on or before **17 July 2023** to this school. Shortlisted candidates will be intimated subsequently. The recruitment will consist of Written Test, Skill Test & Interview. The School administration reserves the right to cancel the vacancy due to administrative reasons.

HL-B/8205/07 July Principal /-

**SAINIK SCHOOL IMPHAL (MANIPUR)**
P.O. PANGEI YANGDONG, IMPHAL EAST - 795114
**RECRUITMENT NOTIFICATION**

Rate quotations are invited from interested firms for the supply of stationery items for the academic session 2023-24. The application form for the same can be obtained from the school on payment of Rs 1,500/- by Demand Draft / Cash. The last date for submission of the sealed tender is 14 July 2023 (Friday). Tenders received from various firms will be opened in the presence of all tenderers present at 1430 hrs on 14 July 2023.

HL-B/8205/07 July Principal /-